# ১৫শুবা সেন্তিনেল কপ অমসুং ৯শুবা জুনিয়ার ষ্টেট ইক্বেষ্ট্রিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ তানানা টেন্ট পেগিং ইন্দিভিজ্যুলদা, চিত্রশেননা সো জম্পিংদা ফাষ্ট তাখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৫ঃ নাইন সেক্তর অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা মপাল কংজৈবুংদা চথরিবা ১৫শুবা সেন্তিনেল কপ অমসুং ৯শুবা জুনিয়ার ষ্টেট ইক্বেষ্ট্রিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ ঙসি পাঙথোখিবা গার্লস টেন্ট পেগিং ইন্দিভিজ্যুলদা চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লবকী টিঐচ তানানা অমদি জুনিয়ার সো জম্পিং ক্রিপসাগী চিত্রসেননা ফাষ্ট তাখ্রে।
অসাম রাইফলস পোনি ইক্বেষ্ট্রিয়ান টিম, চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব, সি আর পি এফ পোলো ক্লব, ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লব, ইম্ফাল রাইদিং ক্লব, কে এন্দ এম এম রাইদিং ক্লব, ক্রিপসা পোলো টিম, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব, মৈরাবা পোলো ক্লব অমদি থাংমৈবন্দ যুথ পোলো ক্লব টিম ১০ অসিগী শান্নরোই ১৭৬না শরুক য়াদুনা চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী পাঙথোখিবা গার্লস টেন্ট পেগিং ইন্দিভিজ্যুলদা চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লবকী টিঐচ তানানা পোইন্ট ২৬.৫ ফংদুনা ফাষ্ট, কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী এস সঙ্গিতানা পোইন্ট ১৯ ফংদুনা সেকেন্দ, থাংমৈবন্দ যুথ পোলো ক্লবকী ও ভিক্তোরিয়ানা পোইন্ট ১৮.৫ ফংদুনা থার্দ অমদি ইম্ফাল রাইদিং ক্লবকী কেঐচ হবেনা পোইন্ট ১৭ ফংদুনা ফোর্থ তাখ্রে।
জুনিয়ার সো জম্পিংদা ক্রিপসাগী চিত্রসেননা পোইন্ট ১.১৬২২ ফংদুনা ফাষ্ট, কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী সব্লিউ জোনিনা পোইন্ট ১.৬৬৭২ ফংদুনা সেকেন্দ, চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লবকী পি বিকাসনা পোইন্ট ২.১০১৫ ফংদুনা থার্দ অমদি চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লবকী টি.চ মনিসনানা পোইন্ট ২.১৭৫৬ ফংদুনা ফোর্থ তাখ্রে।

# ইন্দিয়ান সুপর লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮
## এফসি গৌৱা অমদি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি দ্রো চংখ্রে



গৌৱা, ফেব্রুৱারি ৫ঃ ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবকী ওইবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা হেরো ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙরাং গৌৱাদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা এফসি গৌৱা অমদি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসি পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চংখ্রে।
মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা এফসি গৌৱাগী শান্নরোই এম রাউ দেসাইনা মেটচকী মিনট ৪৩শুবদা গোল ১ চন্দুনা মাঙজিল থাখি। মেটচ অসিগী ইকুই কুইদ্রিগৈ মতমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগী শান্নরোই মরসিনহোননা শান্নবগী মিট ৪৫শুবা মিনটতা গোল ১ হন্দাক্কুনা অহানবা হাল্ফ ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ১–১ চন্দুনা চংখি।
মেটচ অসিগী অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা মেটচকীনা মিনট ৫৩শুবদা এফসি গৌৱাগী শান্নরোই এফ কোরোমিনাসনা গোল ১গা চনশিন্দুনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি দগী গোল ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চংখি।
নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা য়াম্না অকনবা মওংদা এফ সি গৌৱাগী মায়কৈদগা এটেক্ট কয়া চথরক্কুনা মেটচকী মিনট ৭১শুবদা জে জে মোস্কুয়রনা গোল ১ চনশিন্দুনা গোল স্কোরদা ২–২ দা লৈহন্দুনা মেটচ অদু দ্রো চংখ্রে।
টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট বেটলদা বেঙ্গালুরু এফ সিনা মেটচ ১৩ শান্নবদা মেটচ ৯ মায় পাক্লগা মেটচ ৪ মায়থিবা নঙলগা পুন্না পোইন্ট ২৭ ফঙদুনা মকোক্তা লৈরি।
টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচতা হয়েং চেন্নাইদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা চেন্নাইয়িন এফ সি অমদি বেঙ্গলুরু এফ সি লম্বা থেংনরগনি।

| # | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Bengaluru FC | 13 | 9 | 0 | 4 | 25 | 14 | 11 | 27 |
| 2 | Chennaiyin FC | 12 | 7 | 2 | 3 | 19 | 14 | 5 | 23 |
| 3 | FC Pune City | 13 | 7 | 1 | 5 | 24 | 14 | 10 | 22 |
| 4 | Jamshedpur | 14 | 6 | 4 | 4 | 14 | 12 | 2 | 22 |
| 5 | FC Goa | 12 | 6 | 2 | 4 | 29 | 23 | 6 | 20 |
| 6 | Kerala Blasters FC | 14 | 5 | 5 | 4 | 17 | 18 | -1 | 20 |
| 7 | Mumbai City FC | 13 | 5 | 2 | 6 | 19 | 18 | 1 | 17 |
| 8 | ATK | 13 | 3 | 3 | 7 | 8 | 17 | -9 | 12 |
| 9 | Northeast United FC | 12 | 3 | 2 | 7 | 10 | 19 | -9 | 11 |
| 10 | Delhi Dynamos FC | 12 | 2 | 1 | 9 | 13 | 29 | -16 | 7 |

# ৪শুবা ইমা পান্থোইবী ট্রোফি মেন্স ফাইভ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৫ঃ কোংবা য়ুথ ওর্গনাইজেসন (কে ৱাই ও)না শীন্দুনা কে ৱাই ওগী গ্রাউন্দদা টিম ৩০না গ্রুপ ৮ থোক্না খায়দোক্কুনা চথরিবা ৪শুবা ইমা পান্থোইবী ট্রোফি মেন্স ফাইভ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা এল সিঐচ ৱাই সি লংথবাল, এস ই দি ও সি কোংবা ধোবি লম্পাক অমদি ৱাই বি ও কৈখু মায় পাকখ্রে, এন আই দি এস য়ুগা এম য়ু নাহারুপ মখাপাৎ দ্রো চংখ্রে।
ঙসিগী অহানবা মেটচতা কিং এফ হৈঙাংগা এল সিঐচ ৱাই সি লংথবালগা শান্নবদা এল সিঐচ ৱাই সিনা গোল ২–০দা থোইখ্রে। মেটচ অসিদা এল সিঐচ ৱাই সিগী গোল অচুংমৈনা মেটচকী মিনট ৩৪ চৎপদা গোল ১ অমসুং পৌহিমলুংনা এদিস্নেল টাইমদা গোল ১গা চনখি।
মেটচ অসিগী মিনট ৫দা কিং এফ সিগী প্রেমজিৎ, মিনট ২২ চৎপদা টিম অসিগী দব্লিউ সুরজ অমদি এদিস্নেল টাইমদা এল সিঐচ ৱাই সিগী পৌহিমলুংবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।
অনীশুবা মেটচতা এন আই দি এস য়ু লুৱাংসংবমগা এম য়ু নহারুপ মখাপাৎকা শান্নবদা নাকল অনীমক্না গোল অমফাওবা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চংখ্রে। মেটচ অসিগী মিনট ১৬ চৎপদা এন আই দি এস য়ু লুৱাংসংবমগী লনচেনববু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।
অহুমশুবা মেটচ অমদনা এস ই দি ও সি কোংবা ধোবি লম্পাকতা অঙো খোংমনগা শান্নবদা এস ই দি ও সিনা গোল ১–০দা থোইখ্রে। মেটচ অসিদা এস ই দি ও সি কোংবা ধোবি লম্পাককী অমত্তা ঙায়রবা গোল নোনোনা মেটচকী মিনট ২২ চৎপদা চনখি।
মরিশুবা মেটচ অমদনা সঙাইপ্রৌ এফ সিগা ৱাই বি ও কৈখুগা শান্নবদা ৱাই বি ওনা গোল ১–০দা থোইখ্রে।
মেটচ অসিদা ৱাই বি ও কৈখুগী অমত্তা ঙায়রবা গোল মেটচকী মিনট ১৬ চৎপদা ইবোইনা চনখি। চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা অহানবা মেটচতা ঐচ এল এস ৱাই দি ওগা বি এফ সিগা, অনীশুবা মেটচতা সেন্ট ষ্টেফেনগা ই ৱাই দব্লিউ ওগা, অহুমশুবা মেটচতা এস ই ৱাই ওগা এন সি ৱাই সিগা অমদি মরিশুবা মেটচতা দি এফ সিগা নাজারি এফ সিগা শান্নরগনি।

# ৯শুবা নোর্থ ইষ্ট মেদিয়া স্পোর্টস ফেষ্টিভেলদা মণিপুরগী অমজু টিমনা বেদমিন্টন মশান্নদা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে





ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ গুৱাহাটিদা চথরক্লিবা ৯শুবা নোর্থ ইষ্ট মেদিয়া স্পোর্টস ফেষ্টিভেলদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী অমজুগী টিমনা বেদমিন্টনগী ইভেন্টতা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।
বেদমিন্টন মশান্না অসিদা অমজুগী মাইকৈদগী মান্নবা প্রেসকী বিক্রমজিৎ অমদি ঐখোয়গী পম্বুংগী বি সঞ্জয় অনীনা শরুক য়াখিবনি। ঙসি শান্নখিবা অদুগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অমজুগী টিমনা জি–প্লাস টিমবু ২–০, সেমি ফাইনেল মেটচতা ওল অসাম জর্নেলিষ্ট এসোসিয়েসনবু ২–০ অমদি ফাইনেল মেটচতনা অসাম ত্রিবুনগী সিভসিস থাকুর অমদি রিতুরজ বোর্থাকুরবু ২–০ দা থোইদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। পনবা য়াবদি হৌজিক চথরিবা ফেষ্টিভেল অসিদা অমজুগী মীওই ৯ না শাবা টিম অমনা শরুক য়াখিবনি।
নাকল অমরোমদা বেদমিন্টন ৱুমেন ইন্দিভিজ্যুএলদা ফ্রিলেন্সর এন রিনা চনুনা জি–প্লাসকী ক্রিটিবু ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

# অহানবা নুঙ্গৈই কপ্তা সৈজাং এফ সি, কামেং খুঞ্জাও ই য়ু সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৫ঃ নুঙ্গৈই ফুটবোল ক্লবনা শীন্দুনা নুঙ্গৈই মখা প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা নুঙ্গৈই কপ–সেভেন এ–সাইদ লম্লাই কেন্দ্র এন্দ ইনভাইটেসন কেজি ৫২ মেন ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা সৈজাং এফ সি অমদি কামেং খুঞ্জাও ই য়ু সি মায় পাকখ্রে।
চথরক্লি টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা মেটচতা সৈজাং এফ সিগা য়াইঙংপোকপি জি ৱাই টি এসকা শান্নবদা সৈজাং এফ সিনা গোল ৩–২দা থোইখ্রে।
মেটচ অসিদা সৈজাং এফ সিগী গোল মেটচকী মিনট ২৭ চৎপদা এ রস্টমনা গোল ১, মিনট ৩৪ চৎপদা এল মৈরাবনা গোল ১ অমদি মিনট ৩৮ চৎপদা এল বাদননা গোল ১গা পুন্না গোল ৩ চন্দুনা মায় পাকখি
মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা য়াইঙংপোকপি জি ৱাই টি এসকী গোল ২ মেটচকী মিনট ২৯ অমসুং মিনট ৪০ চৎপদা তোন্দোনবনা চনখি।
অনীশুবা মেটচতা পি ৱাই এন কে পৌরাবীগা কামেং খুঞ্জাও ই য়ু সিগা শান্নবদা কামেং খুঞ্জাও ই য়ু সিনা গোল ১–০দা থোইখ্রে।
মেটচ অসিদা কামেং খুঞ্জাও ই য়ু সিগী অমত্তা ঙায়রবা গোল টিঐচ জেমসনা মেটচকী মিনট ৩৫ চৎপদা চনখি।
টুর্নামেন্ট অসিগী মখাতাবা মেটচশিং হয়েং শান্নরগনি।

# চালৌ কপ্তা ৱাই ৱাই সি, এম এস এফ সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৫ঃ চালৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবনা শিল্লগা টিম ২৪না গ্রুপ ৮ থোক্না খায়দোক্কুনা থা অসিগী ৪দগী চালৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবকী গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা চালৌ কপ ৮শুবা লম্লাই কেন্দ্র ভিল্লেজ ৱাইস ৱিথ ইনভাইটিস ওফ অদর কেন্দ্র মেন্স ওপন সেভেন এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অনীদা ৱাই ৱাই সি য়ৌরবুং অমদি এম এস এফ সি হৈঙাং মায় পাকখ্রে।
টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা ঙসিগী অহানবা মেটচতা ই য়ু এস সি তেল্লৌগা ৱাই ৱাই সি য়ৌরবুংগা শান্নবদা ৱাই ৱই সি য়ৌরবুংনা গোল ৩–২দা থোইখ্রে।
মেটচ অসিদা মায় পক্লবা ৱাই ৱাই সি য়ৌরবুংগী গোল দব্লিউ দেনিয়েলনা মেটচকী মিনট ৩ অমসুং ৩৩ চৎপদা গোল ২ অমদি এ নোংপোকঙানবনা মেটচকী মিনট ১২দা গোল ১গা চনখি। মায়থিহৌরবা ই য়ু এস সি তেল্লৌগী গোল টিঐচ রমানন্দনা মেটচকী মিনট ২৭ চৎপদা অমদি এল সুনিলনা মেটচকী মিনট ৪২ চৎপদা গোল অমমম চনখি।
টুর্নামেন্টগী ৩শুবা, ঙসিগী অনিশুবা লীগ মেটচ অমদনা এস ৱাই ও সৈজাংগা এম এস এফ সি হৈঙাংগা শান্নবদা এম এস এফ সি হৈঙাংনা গোল ৪–১দা থোইখ্রে।
মেটচ অসিদা এম এস এফ সি হৈঙাংগী অনিলনা মেটচকী মিনট ৯ অমসুং ১২ চৎপদা গোল ২, সিতলজিৎনা মিনট ১৬তা গোল ১ অমদি সুভাসনা মেটচকী মিনট ২৮ চৎপদা গোল ১গা পুন্না গোল ৪দা মেটচ অসি মায় পাকখি।
মায়থিহৌরবা এস ৱাই ও সৈজাংগী অমত্তা ঙায়রবা গোল কেঐচ তোন্দোনবনা মেটচকী মিনট ৩৯ চৎপদা চনখি।
টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েংগী অহানবা মেটচতা ৱাই এম সি হরাওরোককা ৱাই দি সি এল পুংদোম্বমগা অমদি অনীশুবা মেটচতা এল এস আই সি লম্লাইগা বোলেরো সেক্তাগা শান্নরগনি।

# ফার্ষ্ট হনিফ সহা মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল মণিপুর মুস্লিম ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ ওল ক্বাক্তা এসোসিয়েসন (একেএসএ) ক্বাক্তগানা শীন্দুনা ক্বাক্তা পব্লিক গ্রাউন্দা থা অসিগী ১৪ দগী চথরক্লিবা ফার্ষ্ট হনিফ সহা মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল মণিপুর মুস্লিম ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা ৱাইদিও সোরানা এমঐচএসদব্লিউয়ু হাট্টাবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।
মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচ এমঐচএসদব্লিউয়ু কী শান্নরোই এমদি নদির আলি না তাখ্রে।
টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচ ওইনা হয়েং অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল এফএএসও খেক্কি ময়াই লৈকাই (ইম্ফাল ইষ্ট) অমদি ৱাইয়ুএফসি য়াইরিপোক্কা শান্নরগনি।

# রেফরি ক্লিনিক পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ ওল মণিপুর তাইক্বান্দা এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ৮দগী ১১ ফাওবা ইন্দোর ষ্টেদিয়ম খুমন লম্পাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩০শুবা মণিপুর ষ্টেট তাইক্বান্দা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭–১৮ গী মেটচ কন্দক্ট তৌগদবা রেফরিশিংগী ক্লিনিক অমা থা অসিগী ৭ ফাওবা নেসনেল স্পোর্টস একাদেমিগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা অয়ুক্কী পুং ৮দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতগী খল্লবা য়াগনি।

# জিরি কপ ইনভাইটেসনঃ ঐচআইএসয়ু থৌবালনা জে পিসি ত্রিপুরাবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজেএসএ), জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী প্লেগ্রাউন্দা মপাল ষ্টেটকী টিমশিং য়াওনা পুন্না টিম ১৭ না শরুক য়াদুনা শান্নরিবা ১২শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ গী ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দ ষ্টেসতা ঐচআইএসয়ু থৌবালনা জেপিসি ত্রিপুরাবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। হয়েং ৫শুবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দ ষ্টেসতা পিএসজি জিরিবাম অমদি কেএলএসএ বিষ্ণুপুরগা শান্নরগনি।
ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দা ঐচআইএসয়ু থৌবাল অমদি জেপিসি ত্রিপুরাগা শান্নখি। ঐচআইএসয়ু থৌবালনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা জে পিসি ত্রিপুরানা বোল কাওবা হৌখি।
জেপিসি, ত্রিপুরানা বোল কাওবা হৌবগা জেপিএস ত্রিপুরাগী শান্নরোই সিবা দেবরমানা ৪শুবা মিনটতা আউন গোল অমা চন্দুনা ঐচআইএসয়ু থৌবাল টিমগী একাউন্ট হাংদোকখি। অহানবা হাল্ফ মমাঙদা ঐচআইএসয়ু থৌবালনা জেপিসি ত্রিপুরাবু গোল ১–০ দা মাঙজিল থানা চংখি।
অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা ঐচআইএসয়ু থৌবালগী শান্নরোই কিসননা ৬৩শুবা মিনটতা অমদি গোজেননা ৬৮শুবা মিনটতা গোল অনী অমুক চন্দুনা ঐচআইএসয়ু থৌবাল টিমনা জেপিসি ত্রিপুরাবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।
ঙসিগী মেটচ অসিদা রেফরিনা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক ঐচআইএসয়ু থৌবালগী শান্নরোই কুমরজিৎবু ৩৪শুবা অমদি জে পিসি ত্রিপুরাগী শান্নরোই রজেন্দ্র দেববরমাবু ৭৮শুবা মিনটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।
ঙসিগী শান্নখিবা মেটচ অসিদা এসঐচ সুরেস, এস তোম্বী, টি হেমন্তা অমদি জোয়েল ভোলটৈনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি অমদি ফোর্থ রেফরি ওইখি।

# ৬শুবা তাইপো ট্রোফি ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ তোপ চীংথা য়ুঠ প্রোগ্রেসসিব ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা ৬শুবা তাইপো ট্রোফি ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ দা টিম ১৬না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্কুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী প্লেগ্রাউন্দা চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এলপিৱাইসি লৈরোংথেল অমদি ইজেইএন চরাংপাৎ মায় পাকখ্রে।
টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা শান্নখিবা গ্রুপ 'দি' গী ইজেইএন টিম চরাংপাৎকা এনকেজেসি নোংপোক কৈথেলমাম্বীগা শান্নখিবদা ইজেইএন টিম চরাংপাৎনা এনকেজেসি নোংপোক কৈথেলমাম্বীবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।
মায় পাক্লবা ইজেইএন টিম চরাংপাৎকী গোলশিং মেটচকী মিনট ৩শুবা এস প্রিকান্তা, মিনিট ১৯শুবা এস মেক্স অদুগা মিনিট ২১শুবদা কে জুরেম্বনা গোল অমমম চনখি।
টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অনীশুবা মেটচতা গ্রুপ 'বি' গী এলপিৱাইসি লৈরোংথেলগা এনএফসি ঙারিয়ানগা শান্নখিবদা এলপিৱাইসি লৈরোংথেলনা এলএফসি ঙারিয়ানবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।
মায় পাক্লবা এলপিৱাসি গী গোলশিং অদু মেটচকী মিনট ২ অমদি ৮৯শুবদা লানঙম্বনা গোল ২ চনখি।
মায়থিহৌরবা এনএফসি ঙারিয়ানগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেটচকী মিনট ৩০শুবা এমদি আকবরনা চনখি।
টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা গ্রুপ এগী তাইপো–এ গা এফ সি হূইকপকা অদুগা অনীশুবা মেটচতা নুথিল পুং ২.৩০ তাবদা গ্রুপ 'সি' গী ৱাইদিসি খোইরোমগা নুংব্রম এফ সি গা শান্নরগনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*